**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 01-10-2025)**

**অহল (এল)ঃ** মালেমগী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকপগুম মনিপুরদসু অহল ওইরবশিংগী নুমিৎ মফম কয়াদা পাঙথোকখ্রে।

মপুং ওইবা থৌরম রাজ্যগী সোসিএল ৱেলফিয়ার বিভাগনা শিনদুনা ইম্ফালদা পাঙথোকখি। কুমশি চহিগী নুমিৎ পালন অসিগী হিরমদি-ওল্ডর পার্সন দ্রাইভিং লোকেল এন্দ গ্লোবেল এক্সন-অৱার এসপিরেসন অৱার ৱেল বিং অৱার রাইটস হায়বসিনি।

থৌরমদুদা মীথুংলেন ওইখিবা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা হায়রি- রাজ্য অসিদা থেংনরিবা খুদোংচাদবা খক নত্তনা মালেম পুম্বদা লৈরিবা ৱাথোকশিংগী ৱারোইশিন পুরকপা ঙমবা হৌরক্লিবা নহাশিংনা অহল ওইরবশিংগী ৱাখল্লোনগা পুন্না চৎমীন্নবা তঙাইফদে। অহল ওইরবশিংনা খুন্নাই অমবু অচুম্বা লম্বীদা পুনবা হোৎনবদা থৌদাং চাউনা লৌই। মখোয়দা মীনুংশি উৎপা খক নত্তনা খুন্নাইগী ওইবা তোঙান তোঙানবা হীরমশিংদা মখোয়গী ৱাখল্লোন লৌবা অমদি মখোয়বু ইকায় খুমবা তঙাইফদে।

রাজ্যগী সোসিএল ৱেলফিয়ার বিভাগনা অহল ওইরবা মীওইশিংগীদমক পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা য়াইফ থৌরাংশিং অসিবুসু থাগৎপা ফোংদোক্লি হায়না রাজ্যপালনা ফোংদোকখি।

সোসিএল জষ্টিস অমসুং ইমপৱারমেন্ট মন্ত্রালয়গী মখাদা রিজনেল রিছোর্স এন্দ ট্রেন্নিং সেন্টর অমা ওইরিবা আই.আর.দি.ই.ও. ৱাংবলনা শিনদুনা মালেমগী অহল ওইরবশিংগী নুমিৎ থৌবাল জিলাগী ৱাংবলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিদা খাঙবোক কেন্দ্রগী এম.এল.এ. ওক্রম সুরজাকুমার শরুক য়াখি। থৌরম অসিগী মনুং চন্না লেমা লায়েংবগী কেম্প অমসু পাঙথোকখি অমসুং

ৱাকথোন অমসু চৎখি।

ককচিং জিলাদসু সেনিয়ার সিটিজন্স ফোরম-ককচিংনা শিনদুনা নুমিৎ অসি ককচিং ৱাইরিদা পাঙথোকখি। থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা চহি ৯০ শুরবা অহলশিংদা খুদোলপোৎ পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

মালেমগী অহল ওইরবশিংগী নুমিৎ ঙসি থৌরি ফি দিবলপমেন্ট কমিতি-অৱাং পোৎশংবম খুল্লেননা শিনদুনা খুল অসিদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা অহল ওইরবা মীওইশিংদা খুদোলপোৎশিং য়েন্থোকখি।

**ডে (এল)ঃ** রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা গান্ধি জয়েন্তিনা লাকপদা রাজ্য অসিগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

মহাক্কী পাউজেলদা রাজ্যপালনা হায়-মহাত্মা গান্ধিগী মপোক নুমিৎ ওক্তোবর অনিনা লাকপদা মীয়ামনা মহাক্কী মমল য়াম্লবা অচুম্বা ৱারোলশিং, হিংশা তৌদবা অমসুং মীওইবা সমাজগীদমক্তা কৎথোকখিবশিং অদু নীংশিংলি। মহাত্মা গান্ধিনা মহাক্কী মপোক নুমিৎ অসি মীয়ামনা থৱায় হকচাংবু লু-নান্না থম্বা পাম্লমখি। লু-নানবা হায়বসি হকচাং খক্তগী নত্তনা মীয়ামগী ৱাখল্লোন অমোৎপা লৈতবা অদুবুসু পাম্লমখি।

রাজ্যপালনা হায়-ঐখোয়গী জাতিগী মপা অসিবু নীংশিংলদুনা মহাকা পামজরম্বা ৱাখল্লোন অমদি থবক থৌরমশিংবু পাঙথোক্তুনা পুকিং হকচাং অমসুং অকোইবগী ফিভম লু-নান্না থমবা হোৎনসি। নুমিৎ অসিনা লাকপদা ঐখোয় পুমমকা গান্ধিজিগী ৱাখল্লোনবু ইকায় খুমবা উৎপা ওইনা লু-নানবা, অমত্তা ওইবা অমদি শান্তি লৈবা রাজ্য অমা ওইহল্লসি।

মনিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ-থোকচোম সৈত্যবরতনসু মহাত্মা গান্ধিগী মপোক নুমিৎ ওক্তোবর অনিনা লাকপদা গান্ধিজিগী ৱাখল্লোন, হিংশা তৌদবা, অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোনদা চংশিল্লসি। ঐখোয় পুমমকা ধর্ম্ম জাতি খায়দনা অপুনবগী পাঙ্গল শাগৎতুনা ইং তপ্পা মনিপুর অমা ওইহল্লসি।

**নেসন(এল)ঃ** নেসন ফাষ্টর্ এদরেট সাভেন্তিফাইভ কেম্পেনগী শরুক অমা ওইনা মণিপুর পোল্লুসন কন্ট্রোল বোর্দ অমসুং সেন্তর ফোর রিছার্স ওন ইনভাইরোনমেন্টেল দিভলপমেন্টনা শিন্দুনা নোংমগী ওইবা ৱেষ্ট মেনেজমেন্ট (বাইওমেদিকেল প্লাষ্টি বেটরি অমসুং ই-ৱেস্ত) কী মতাংদা স্তেকহোল্ডরশিংগী ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা শরুক য়ারদুনা মনিপুর পোল্লুসন কন্ট্রোল বোর্ড (এম.পি.সি.বি) কী মেম্বর সেক্রেটরি-ডাঃ ডব্লিয়ু. রোসন সিংহনা হায়-

থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াদা অখঙ অহৈশিংনা ৱা ঙাংখি।

**সৈত্যবরতা (এল)ঃ** মনিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ-থোকচোম সৈত্যবরতনা হায়রি-লেজিসলেচরশিংনা অপুনবগী ৱাখল্লোনদা থবক তৌবগী চাং ৱাংলিবমখৈ চাউখৎ থৌরাংগী লম্বীদা মাংলোমদা চংশিনবা ঙমগনি। ৱাফম অসি ৱাংখৈদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা শ্রী সৈত্যবরতানা ফোংদোকখিবনি।

মহাকা হায়-অয়াম্বা মতমদা লেজিসলেচরশিং অমত্তা ওইবা ৱাখল্লোনদা থবক তৌমীন্নবগী চাং অসি ৱাৎপগুম তৌরি। এম.এল.এশিংনা মশা মশাগী ওইবা থবকশিংদা হেন্না মায় ওনশিন্দুনা লৈ হায়বসি মীয়ামা খঙনরবা ৱাফমনি। মসিনা রাজ্য অসিগী চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিংদা থিন্থহন্নবা মরম ওইরি। ইং তপ্পা, মরা চেৎপা লমদম অমা ওইহনবা হায়বসি লৈঙাকলোইশিংগী তৌফদ্রবা থৌদাংনি। মসি ঙাকা চৎমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ হায়খি।

**নৈলিত (এল)ঃ** হান্নগী পৱার মন্ত্রি-থোঙাম বিশ্বজিৎনা হায়রি-শান্তি অমসুং তংদু লৈতাবা পুরকবা হোৎনবা হায়বসি হৌজিক্কী মতমদা খ্বাইদগী মরুওইবা থবকনি।

অকম্পাৎতা লৈবা নৈলিত ইম্ফালগী ৩৭ শুবা ফাউন্দেসন ডেগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা শ্রী বিশ্বজিৎনা হায়-শান্তি অমসুং তংদু লৈতাবা লৈত্রবদি

চাউখৎপা অমসুং নুংঙাইবা খুন্নাই অমা পুরকপা ওইথোক্লোই হায়বসি মালেমগী ফাওরবা মীওই কয়ানা হায়বীরম্বা ৱাফমনি।

কুমজা ২০৪৭ ফাওবগী মনুংদা ভারতপু চাউখৎলবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং মখাদা হোৎনরিবা অসিদা মহৈরোইশিংনা চাউনা থৌদাং য়ানবসু শ্রী বিশ্বজিৎনা তকশিনখি। মহাকা হায়-নৈলিট ইম্ফালদা লাঞ্জেন্নরকপা মহৈরোইশিং, রেদিও অমদি টেলিভিজনগী এঙ্কর ওইনবগীদমক ট্রেন্নিং তৌবা অসি অফবা খোঙথাং অমনি। নৈলিটনা ঙসি ফাওবদা মতিক চারবা মহৈরোই কয়া পুথোক্নুনা রাজ্য অসিবু চাউখৎপগী মায়কৈদা চংশিন্নবা হোৎনবদা চাউরবা থৌদাং লৌরি হায়নসু শ্রী বিশ্বজিৎনা মখা তানা ফোংদোকখি।

থৌরম অদুদা ইনর্ফোমেসন টেকোলোজিগী সেক্রেটরি-থোকচোম কিরনকুমার, নৈলিট ইম্ফালগী ইগজ্কিটিব দাইরেক্তর-প্রোফেসার য়ুমাম জয়েন্তনচিংবা মরুওইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

**নেভি(এল)ঃ** ভারত নেভিগী প্রোজেক্ট ফিফতিন (বি) গী মখাদা শাখিবা ষ্টেল্ট গাইদেদ মীসাইল দিসত্রোয়র অমা ওইরিবা আই.এন.এস. ইম্ফাল অমদি আমেরিকাগী অরলেক-বুরকে ক্লাস দিসত্রোয়র য়ু.এস.এস. গ্রীটলিগা অরাব সাগরদা পেসেস এক্সরসাইজ চথখ্রে।

আই.এন.এস. ইম্ফালনা অসিগুম্বা মালেমগী থাক্তা শিংথানিংঙাই ওইরবা লান ঔরাইবা অসিদা শরুক য়াবা অসিনা মনিপুর খক নত্তনা অৱাং নোংপোক লমদমবু মশক তাকপগী অচৌবা খুদোংচাবা অমা ফংলি। লান ঔরাইবা অসিদা লৈবাক অনিগী লানগী জহাজ অনি অসিনা এন্তি পাইরেসিগী মতাং য়াওনা তোঙান তোঙানবা ওপরেসনগী ট্রেন্নিংশিং চথখি হায়রি।

আই.এন.এস. ইম্ফালনা ভারত নেভি হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহববু নুংঙাইবা ফোংদোক্লদুনা বি.জে.পি. মনিপুর প্রদেসকী ৱাঙাংলোয়-এম. অশ্বিনি

কুমারনা হায়-আই.এন.এস. ইম্ফাল অসি অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংগী সহর অমগী মিং লৌদুনা থোনখিবা ভারত নেভিগী মপাঙ্গল কল্লবা লানগী জহাজনি। মসিগীদমক চাউথোকচবা পোকপগা লোয়ননা লানগী জহাজ অসিনা লৈবাক অসিগী হেন্না মিংচৎ পুরকপা ওইরসনু।

**মেরা(এল)ঃ** থা অসিগী ৭ তা পাঙথোক্কদৌরিবা মেরা হৌচোংবগী থৌরম মপুং ফানা পাঙথোকবগী মতাংদা ঙসি ইম্ফালগী রাজ ভবদা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

রাজ্য অসিগী চীং অমদি তমগী তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংগী মরক্তা নুংশি চান্নবগী অচেৎপা মরী হেন্না চেৎশিলহন্নবা চহি খুদিংগী কংলাদা পাঙথোকপা থৌরম অসিগী মতাংদা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা সভাপতি ওইখি
লোয়ননা রাজ্য সভা এম.পি. নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাউবা, চীফ সেক্রেটরি-পি.কে. গোয়ল, কম্মিস্নার (হোম) অমদি অতৈ মকোক থোংবা লুচিংবা কয়া শরুক য়াখি।

মীফম অদুদা কুম্মৈ অসিগা মরী লৈননা চৎথোক চৎশিন তৌবগী মতাং য়াওনা তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াগী মতাংদা খন্নখি হায়রি।

**ক্বাক(এল)ঃ** ধর্ম্মগী চৎনবী অমদি লাইনিং লাইশোলগা লোয়ননা চহি অসিগী ক্বাক তানবগী থৌরম হয়েং পাঙথোক্লগনি হায়রি।

ঙসি উত্রা শঙলেন সনা কোনুংদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা উত্র শঙলেনগী পল্লিসিতি সেক্রেটরি-এল. পোইরৈতোননা ফোংদোরকপগী মতুং ইন্না ক্বাক তানবগী থৌরম অসিগী মনুং চন্না অয়ুক পুং ৮ তাবা মতমদা সনা কোনুংগী ফমাইবা ফমাইবীশিং কোনুংদা থুংগনি। মসিগী তুংদা, লানজিন পুরেলনা নিংথৌ খুরুম্বগা লোয়ননা মখা তারকপদা নুংথিলগী মতমদা সনা

কোনুংদগী ৱাংখৈ থঙ্গাপাৎ কম্ম্যুনিতি হোলদা চৎতুনা মফম অদুদা ক্বাক তানবগী মপুং ওইবা থৌরম পাঙথোক্কনি।

**নারি (এল)ঃ** রাজ্যগী হকশেল বিভাগ অমদি নেসনেল হেলথ মীসনগী মীৎয়েং মখাদা ক্বাকৈথেলদা লৈবা অবার্ন প্রাইমারি হেলথ সেন্টরনা শিনদুনা স্বাস্থ নারি সাসক পরিবার অভিয়ানগী থৌরম ক্বাকৈথেল থোকচোম লৈকাইদা লৈবা মৈরা স্পোর্টিং য়ুনিয়ন ক্লবতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুগী মনুং চন্না লোগন্দবা লায়নাশিং-হাইপরটেন্সন, দাইবেটিস, ওরেল কেন্সর, ব্রেজ অমদি সারজিকেল কেন্সর অমদি মীৎকী অনাবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা লায়নাশিং স্ক্রিনিং তৌখি।

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-রাস্ত্রিয়া স্বেয়মসেভক সঙ্ঘ (আর.এস.এস) অসি হেক হৌদোরকপদগী লৈবাক নীংবা অমদি মীয়ামগী থবক্তা মাংজিল থাদুনা লাক্লি।

ৱাফম অসি ঙসি আর.এস.এসকী চহি ১০০ শুবগী থৌরমদা প্রধান মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবনি। ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা পার্টিসনগী মতমদা আর.এস.এসনা লৌখিবা থৌদাংবু শিংথারদুনা হায়-ইমুং লিশিং কয়ানা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিঙৈ মতম অদুদা লুপ অসিনা ইচং থৌনা লেপ্তুনা মীয়ামগী থবক তৌখি। মসিগুম্বা থৌওং অসিমক মীয়ামগী অৱাবদা মতেং পাংবা খক নত্তনা লৈবাক নুংশিবগী ৱাখল্লোনদা হেন্না চেৎশিলহল্লি। আর.এস.এসনা চহি ১০০ রোম অসিদা পায়খৎতুনা লাকখিবা থবক থৌরমশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী শিংথানিংঙাই ওইবদি-ইশানা ইশাবু মশক খঙজবা অমদি লৈমিন্নরিবা তোঙান তোঙানবা কাংলুপশিংদা নুংশি চান্নবা অমদি অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন ফাওহনবা অসিনি।

**দিএঃ** কেন্দ্র সরকারগী কর্ম্মচারি অমদি পেন্সনরশিংদা দিয়ারনেস এল্লাউয়েন্স অমদি দিয়ারনেস রিলিফ চাদা ৩ পীনবা কেন্দ্রগী মন্ত্রি-মন্দলগী মীফমনা অয়াবা পীখ্রে।

ঙসি ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকপা মন্ত্রি-মন্দলগী মীফম লোইরবা মতুংদা ইনর্ফোমেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রি-অশ্বিনি বৈসনোনা হায়-থৌরাং অসিনা সরকারগী কর্ম্মচারি লাখ ৪৯ গা লিশিং ২০ দা খুদোংচাবা পীরগনি অমদি পেন্সনর লাখ ৬৮ লিশিং ৭০ দসু খুদোংচাবা ফংহল্লগনি। থৌরাং অসি চৎলিবা চহি অসিগী হৌখিবা জ্লাই থাগী তাং অমদগী চৎনবা হৌগনি হায়রি।

অমরোমদা, ইকোনোমিক এফিয়ার্সকী কেন্দ্রগী মন্ত্রি-মন্দলগী কমিতিনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা নৌনা কেন্দ্র বিদ্যালয়া ৫৭ হাংদোকবসু অয়াবা পীখ্রে। থৌরাং অসিগীদমক লুপা কোতি লিশিং ৫,৮০০ হেনবগী শেনফম চংলবা য়াই।

শ্রী বৈসনোনা মখা তানা হায়-নৌনা হাংদোক্কদৌরিবা কেন্দ্র বিদ্যালয়াশিং অসিগী মনুংদা ২০ দি হান্না অসিগুম্বা বিদ্যালয় লৈত্রিবা জিলাশিংদা হাংগনি।

**ফূটবোলঃ** ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিনদুনা পাৎশোই পার্ট টুদা লৈবা পাময়াল গ্রাউন্দদা চথরিবা ৩০ রক শুবা এল. সঙ্গিতা দেবী মেমোরিএল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগ ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা সলাম জ্বিনাইল ক্লব-সঙাইথেল রোডনা কদাংবন্দ অপুনবা নহারোল-উরিপোক কাংচুপ রোডপু পাঞ্জল ৬-১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

**ফূটবোলঃ** দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন দি.এস.এ. ককচিংনা শিনদুনা চথরিবা সুপর দিভিজন ফুটবোল লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এল.এম.এল.সি.সি-লাংমৈদোংনা এস.এ.ও. ককচিংবু পাঞ্জল ৩-১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

**ফূটবোলঃ** ককচিং দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা চথুরিবা ২১ শুবা কে.কে. মেমোরিএল ফাষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা দি.ৱাই.এ. এলাংখাংপোকপীনা আই.ৱাই.এ. ককচিংবু পাঞ্জল ১-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

**টেনিসঃ** মনিপুর টেবল টেনিস এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট টেবল টেনিস-ইম্ফাল ইষ্টনা শিনদুনা ঙসিদগী ৩৭ রকশুবা দিষ্ট্রিক্ট ইন্টর ক্লব অমদি ষ্টেট ওপন রেঙ্কিং টেবল টেনিস চেম্পিয়নসিপ ২০২৫, দি.এম. য়ুনিভরসিতি কেম্পসতা লৈবা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা হৌখ্রে।

নুমিৎ মঙানি চুপা চথুগদবা চেম্পিয়নসিপ অসিদা নুপামচা অমদি নুপীমচাগী অন্দর নাইন, অন্দর থারতিন, অন্দর সভেন্টি অমদি অন্দর নাইন্টিন পুন্না তোঙান তোঙানবা কাংলুপ মরি থোকা খাইদোক্তুনা অথোই অহেন তান্নগনি।